# অনৌবা মহৈ–মশিংগী থৌশিল অথুবা মতমদা চৎনরগনি ঃ স্মৃতি ইরানি

*ন্যু দিল্লি, মে ১৭ ঃ*

যুনিয়ন হ্যুমেন রিসোর্ছ মিনিষ্টর স্মৃতি ইরানিনা ফোঙদোকখিবদা লৈঙাক অসিনা অথুবা মতমদা অনৌবা মহৈ মশিংগী থৌশিল চৎনহল্লগনি। লৈবাক অসিগী খুঙ্গং লাক্ষ ১.১০ অমসুং ম্যুনিসিপাল বোর্দি ১,৫০০দগী সজেসনশিং ফংলে।

এক্সপার্ট শিংগী মতেংগা লোয়ননা শেম শাবগী থবক চখরি। এদুকেসন কাউন্সিলগী পাউতাক য়াওনা লৈবাক অসিগী মহৈ মশিংগী ফিভম হেন্না ফগৎহন্নবা শেম শারগনি। নুমিৎ ১৫–২০গী মনুংদা অদুগুম্বা থৌশিল অদু উবা ফংলগনি হায়না নিংথৌকাবা নুমিৎতা ওল ইন্দিয়া রেদিওনা পাঙথোকপা ইন্টরভ্যুদা ফোঙদোকখি।

লুচিংবী অদুনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা অহানবা ওইনা লৈবাক অসিগী অনৌবা মহৈ মশিংগী থৌশিল চৎনহন্নবা শেম শাবগী থৌশিলগী মখাদা খুঙ্গং অমসুং মনুং হুনজিনবা লৈবা মফমগী মীয়ামশিংগা তান্নখ্রে।

যুনাইটেদ প্রোগেসিপ এলাইন্স (য়ু পি এ) লৈঙাক্কী মতমদা পাস তৌখিবা রাইট টু এদুকেসন



*য়ুনিয়ন হ্যুমেন রিসোর্ছ মিনিষ্টর স্মৃতি ইরানি*

হৌজিক পাল্লিবা লৈঙাক অসিনা চপ চাবা থবক পায়খৎলি। মমাঙগী সরকারনা রাইট টু এদুকেসন এক্ট পাস তৌখ্রবসু মখোয়না চপ চানা থবক পায়খৎপা ঙমখিদে।

লন্নাই স্কুলশিংদা চাদ ২৫ ফি হস্থহনবগী প্রোভিজনশিং চপ চানা চৎনহনবা ঙমখিদে। হৌজিক লৈঙাক অসিনা চপ চাবা থৌশিল অমা পায়খৎতুনা লৈবাক অসিগী মহৈরোই লাক্ষ ১৮গী মরমদা য়েংশিন্দুনা ফি পীননবা থৌশিল পায়খৎলি।

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা পায়খৎলকপা থৌশিল অদুবু থাগৎপা ফোঙদোক্লদুনা লুচিংবী অদুনা হায়, হ্যুমেন রিসোর্ছ মিনিষ্ট্রিনা নেসনেল কাউন্সিল ওফ এদুকেস্নেল রিছার্স এন্দ ত্রেনিংগী ক্লাস ৯ দগী ক্লাস ১২ ফাওবা তমগদবা লাইরিকশিং দিজিটাইজ তৌবগী থবক পায়খৎলি।

অদুগুম্বা লাইরিকশিং অদু হিন্দি, ইংলিস অমসুং উর্দু লোলদা লেম্না মোইবল এপতগী ফংলগনি। মিনিষ্ট্রি অদুনা অথুবা মতমদা তোঙান–তোঙানবা ইন্দিয়াগী লোল ২২গী তোঙান–তোঙানবা সবজেক্টশিংগী পরা ব্রেব পোর্টেলদগী ফংহন্নবা থবক পায়খৎলগনি।

লৈঙাক অসিনা ইন্দিয়ান ইন্সটিট্যুট ওফ টেক্নোলোজিগী মখাদা রিছার্স পার্ক ১৬ শেমগৎলগনি। পার্ক ৬তা থবক পায়খৎপা হৌখ্রে। খুদোংচাবা ফংলবা ইন্সটিট্যুসনশিংদা ভোকেস্নেল অমসুং টেক্নোলোজিকেল স্কিলশিং মহৈরোইশিংদা ফংহনগনি।

ইরানিনা হায়, লৈঙাক্না পায়খৎলিবা থৌশিল অদু মতেং পাংদুনা থৌশিল অদুগী শরুক অমা ওইনা থবক পায়খৎনবা খঙহনখ্রে। লন্নাই ফার্মশিংনা হৌজিক ফাওবদা অদুগুম্বা থৌশিল অদু পায়খৎনবগীদমক লুপা ক্রোর ১৪০গী শেনফম থাদরকখ্রে।

মপান লৈবাক্কী যুনিভর্সিটিশিংগা খুৎশম্নদুনা ইন্দিয়াগী ইন্সটিট্যুসনশিং মরু ওইনা য়ুনিভর্সিটি গ্রান্ট কম্মিসনগী মখাদা লৈবশিংদা খুদোংচবা অদু ফংহনগদবনি হায়রি।

মিনিষ্ট্রিনা পায়খৎকদৌরিবা থৌশিল অদু রাজনিতিগী খুৎলায় অমা ওইনা শীজিন্নহন্দনবা অমসুং তম্মনবগী লাইশঙ অমা ওইহন্নবা পান্দম থম্লি হায়রি।

# বাগদাদতা বোম ৩ পোকখায়খ্রে য়ামদ্রবদা মীওই ৫৩ শীখ্রে

*বাগদাদ, মে ১৭ ঃ*

বাগদাদতা বোম ৩ পোকখায়বদা য়ামদ্রবদা মীওই ৫৩ শীরে। হৌখিবা চয়োলদগী ইরাক্কী কোনুং অদুদা লেপ্পা লৈতনা একেট কয়া চখ্বরক্লি। সিয়া মুস্লিমশিংনা নম্না খুন্দাবা লৈবাক অদুগী অৱাং থংবা শরুক্তা লৈবা সাফবকী মী চিনবা কৈথেলদা নুপী সুসাইদ বোম্বর অমনা বোম অমা পোকখায়হল্লকখি। অতোপ্পা বোমশিং অদুনা কৈথেল অদুগী অকোয়বা মফমশিংদা পোকখায়রকখিবনি।

জিহাদি কাংলুপ ইস্লামিক ষ্টেট মিলিটেন্টশিংনা সবাব সহরদা চখ্খিবা বোম পোকখায়হনবগী থৌদোক অদু মখোয়না থোকহনখিবনি হায়না ক্লেম তৌরক্লি।

ইরাই নুমিৎতসু আই এস মিলিটেন্টশিং কার বোম ৩ পোকখায়হন্দুনা মীওই ৯৩ হাৎখিবসু লৈখি। ইরাক্কী অৱাং থংবা শরুক্তা লৈবা নেচরেল গ্যাস প্লান অমদসু এটেক চখ্দুনা মীওই ১৪ শীহনখি। অদুগা মীওই ১০০ হেনবনা অশোক অপন নংখি হায়না পাউগী লিখুল অসিনা ফোঙদোরক্লি।



*বাগদাদতা বোম পোকখায়খ্রবা মতুং য়েংশিনবা*

ইরাক্তা লাম্মীনা অকনবা থবক পায়খৎলকপদগী ইরাক্কী মফম কয়া খুদুম চন্দুনা লৈরম্বা আই এসশিং তকথোকখ্রবা মতুং নিংবা কয়াবা অমগা লোয়ননা সহর অদুগী তোঙান–তোঙানবা মফমশিংদা বোম পোকখায়হনবগী থৌদোকশিং থোকহল্লকপনি হায়না থিজিনবা কাংবুনা ফোঙদোরক্লি।

ইরাক লৈঙাক শৌগৎতুনা য়ু এসনা লুচিংবা চুংশিন্নবা কাংবুনা আই এসকী পোজিসনশিংদা লেপ্তনা এটেক চখবনা মরম ওইরগা আই এস মিলিটেন্টশিং মখোয়গী পোজিসনশিং কনবা ঙমদ্রে।

ইরাক্তা রাজনিতিগী ৱাথোক লৈবনা মরম ওইরগা হিংশাগী থৌদোক কয়া থোক্লি। ইরাক পার্লিয়ামেন্টনা মখোয়গী মিনিষ্ট্রি রিসফল তৌ হায়বা য়াদে।

প্রাইম মিনিষ্টর হায়দর অল অবাদিনা ফোঙদোকখিবদা আই এসকী মথক্তা থবক লৌখৎপদা খুদোংচাদবা কয়া থোক্লে। ইরাক্কী অৱাং থংবা অমসুং নোংচুপ থংবা পাক চাওরবা লমদমশিং হৌজিকসু আই এসনা খুদুম চন্দুনা লৈরি হায়রি।


# পুলিসনা খোঙজং চংশিল্লকখিবশিং ফুবদা মীওই অমা শীরে

*নাইরোবী, মে ১৭ ঃ*

ঙরাং কেনিয়াগী কোনুং নাইরোবিনা খোঙজং চংশিল্লকখিবা মীওইশিং ফুবগী ফুটেজ লৌবা মীওই অমা পুলিসনা ফুবদা শীরে হায়না কেনিয়া রেদিওনা ফোঙদোরক্লি।

খোঙজং চংশিল্লকখিবা মীয়াম অদুদা পুলিসনা টিয়ার গ্যাস, ৱাটর কেনন শীজিন্নদুনা তানখায়নবা হোৎনখি। লৈবাক অদুগী ইলেক্টোরেল ওফিস মমাংদা থোমজিল্লকখিবা মীয়াম অদু লাকশিন্নবা পুলিসনা মখল কয়াগী থবক পায়খৎপদা মীওই কয়া অশোক অপন নংখি।

লৈবাক অদুগী ওপোজিসন লুচিংবশিংনা চয়োল ৩গী মমাঙদগী ইলেক্টোরেল বোর্দি অদুগী কম্মিস্নার লৌথোক্লবা অকনবা খোঙজং চংশিল্লকখি। ইলেক্টোরেল ওফিসিয়েলশিংনা মীচং মীখায় নাইনা থবক চথৈ হায়না মরাল শীরি। মদুনা মরম ওইরগা মরী লৈনবা ওফিসিয়েলশিং লৌথোক্লবা অমসুং ইং ২০১৭তা পাঙথোক্কদৌরিবা মীখল মাংওইননা আইন শেমদোক্লবা খোঙজং চংশিল্লিবনি হায়রি।




# নরেন্দ্র মোদিনা ইন্দিয়া–বঙ্গলাদেশ রেল প্রোজেক্টকী যাত্রা হুল্লগনি



*অগরটালা, মে ১৭ ঃ*

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা চৎলিবা থা অসিগী ২৭তা ইন্দয়া–বঙ্গলাদেশ রেলৱে প্রোজেক্টকী যাত্রা হুল্লগনি হায়না রেলৱেগী মকোক থোংবা ওফিসিয়েলশিংনা ঙসি ফোঙদোরক্লি।

নোর্থ ইষ্ট ফ্রন্টিয়র রেলৱে (এন এফ আর)গী মকোক থোংবা ওফিসিয়েলশিংনা ফোঙদোরকখিবদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা অগরটালাদগী সিলদাহ, অগরটালা–সিলচর, সিলচল–মণিপুর অমসুং মিজোরাম ফাওনা চৎকদবা ত্রেন সার্ভিস প্রোজেক্ট যাত্রা হুল্লগনি।

প্রাইম মিনিষ্টরনা সিল্লোংদা পাঙথোক্কদবা নোর্থ ইষ্ট কাউন্সিলগী মীফমদা শরুক য়াগনি। সিল্লোংদগী রিমোট কন্ত্রোল শীজিন্নদুনা প্রাইম মিনিষ্টরনা অগরটালা–অখাওরা (বঙ্গলাদেশ) রেলৱে প্রোজেক্টকী যাত্রা হুনবগী থৌরম চখগনি।

প্রাইম মিনিষ্টরনা অগরটালা–সিলদাহ, অগরটালা–সিলচর অমসুং মণিপুর অমদি মিজোরামগী পেসেঞ্জর ত্রেনশিংগী ব্রোদকেস লাইনসু লম থাগনি হায়রি।

ত্রিপুরাগী প্লনিং ওফিসয়ার অমনা ফোঙদোকখিবদা প্রাইম মিনিষ্টরনা নোর্থ ইষ্ট কাউন্সিলগী মরু ওইবা প্রোজেক্টশিং উরেপ উয়ুং তমগনি। এন ই সি অৱাং নোংপোক্কী প্লানিং বোর্দি অমনি। অৱাং নোংপোক লমদমগী ষ্টেট ৮গী চীফ মিনিষ্টর অমসুং গভর্নরশিংগসু মীফম অদুগী মনুং চন্না উন্নগনি।

অগরটালা–অখৌরা রেলৱে প্রোজেক্টকীদমক লুপা ক্রোর ৯৬৮ থাদোক্লবগী ৱারেপ ইং ২০১০গী জনুৱারি থাদা লৌখি। মতম অদুগী বঙ্গলাদেশকী প্রাইমমিনিষ্টর সৈখ হাসিনানা ন্যু দিল্লিদা লাক্কুনা মতম অদুগী ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর মনমোহন সিংহগসু উন্নখিবা লৈখ্রে।

প্রাইম মিনিষ্টর ওফিস অমসুং ত্রিপুরা লৈঙাক্না য়ান্নদুনা দোনর মিনিষ্ট্রিগী মখাদা প্রোজেক্ট অদুগীদমক লুপা ক্রোর ৫৮০ কায়থোকপা য়াখি হায়না ত্রিপুরাগী ত্রান্সপোর্ট মিনিষ্টর মনিক দেনা ফোঙদোকখি।

দোন্নর মিনিষ্ট্রিনা ফন্দ থাদোকখ্রবা মতুং ষ্টেট লৈঙাক্না লম একর ৬৭ লৌশিনবা তঙাইফদে হায়রি।

# আর বি আইগী গভর্নর রগুরাম রাজন লৌথোক্লবা সুব্রামনিয়ম স্বামীনা চিঠি ইখ্রে

*ন্যু দিল্লি, মে ১৭ ঃ*

রিজার্ব বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়াগী গভর্নর রগুরাম রাজনদা অকনবা এটেক চখরদুনা বি জে পিগী লুচিংবা সুব্রামনিয়ম স্বামীনা প্রাইম মিনিষ্টরদা অইবা চেরোল পীদুনা রিজার্ব বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়াগী গভর্নর রগুরাম রাজন মফম লৌথোক্লবা হায়জখ্রে।

রগুরাম রঞ্জননা থবক তৌবগী মতম সেপ্টেরম্বা থাদা লোইরগদবনি। সুব্রামনিয়ম স্বামীগী চেরোল অদুদা হায়, রগুরাম রাজননা লৈবাক অসিগী শেন্মীৎলোন হস্থহন্নবা হোৎনরে। আর বি আইগী গভর্নরগী ৱাখল্লোল অদু ইন্দিয়া মচা অমা ওইবগী ৱাখল নত্তে।

খুদম অমা ওইনা রাজননা লৈবাক অসিগী শেন্মীৎলোন শোকচিনহন্নবা হোৎনখি। স্বামীগী লোন্দদা রগুরাম রাজন দিজাষ্টর অমনি। ইন্টরেষ্ট রেদ ৱাংখৎহন্নদুনা ইফ্লেসন ৱাংখৎহন্নবা হোৎনরি।

রাজননগী ৱারেপ অদুনা লৈবাক অসিগী অপীকপা অমসুং ময়াই ওইবা করবারৱালাশিং শুমদৎলে। লৈবাক অসিদা থবক ফংদবা মীগী মশিং হেনগৎহল্লে হায়না মরাল শীরি।

মমাঙ চয়োলদা চিকাগো য়ুনিভর্সিটিদা পাঙথোকখিবা বুথ স্কুল ওফ ব্যুজিনেসতা রাজননা মহাক সেন্ত্রেল বেঙ্ককী গভর্নর ওইবা তোক্তুনা চিকাগোদা লাক্লগনি হায়না ফোঙদোকখিবা লৈখি।

চেরোল অদুদা মখা তানা পনখিবদা রাজনন য়ুনাইটেদ প্রোগেসিপ এলাইন্স গভর্নমেন্টননা রাজননা রিজার্ব বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়াগী গভর্নর ওইনা হাপ্লমখিবনি।

কংগ্রেসকী লুচিংবা জয়রাম রামেসনা হায়, ডাঃ মনমোহন সিংহনা মুন্না খল্লবা মতুংদা রগুরাম রাজনন আর বি আইগী গভর্নর ওইনা হাপখিবনি। অদুগুম্বা ফম হাপ্পদা রাজনিতি তৌরোইদবনি হায়না সুব্রামনিয়ম স্বামীগী ৱাফম অদু অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোরক্লি।

SPOT ADMISSION
FOR
Top Colleges in India for the following courses :
Assistance in Education Loan
Drop up facility upto College Hostel
MBBS, B. PHARM, BSc. Nursing, BHMS, B.P.T., GNM, BDS, BAMS, B. Tech
Robotics, Civil, Mech., CS, EEE, ECE, IT, Petroleam, NANO, BHM
BBA, MBA, BSc. Agri, Forestry, HOTI, BFAD, Food Tech., BCA, MCA
Avail Limited Scholarship
100% Placement Assistance
For details :-
Career Info Solution
New Checkon Road near ICICI Bank
Contact us @ 9089762725

# সিমহষ্টা কুম্ভ মহাপর্ভা মেলাদা সাধু শারম্বা মীওই ১৩৪ ফারে

*উজেন, মে ১৭ ঃ*

সিমহষ্টা কুম্ভ মহাপর্ভা মেলাদা সাধু শারম্বা মীওই ১৩৪ পুলিসনা ফাগৎখ্রে। কুম্ভা মেলা হায়না পাঙথোক্লিবা থৌরম অদু মালেমগী ওইনা ধর্ম্মগা মরী লৈননা মী খ্বাইদগী তিনবা কুম্ভে অমনি।

ফাগৎলবা মীওইশিং অদু সাধু শাদুনা ক্রিমিনেল ওইবা থবক থৌরমশিং চখরম্বশিংনি হায়না এদিস্নেল ডাইরেক্টর জেনরেল ওফ পুলিস ভি মধুকুমারনা ফোঙদোরক্লি।

ফারবা মীওইশিং অদুগী মথক্তা আইনগী মতুং ইন্না লৌখৎফম থোকপা থবকশিং লৌখৎলগনি হায়নসু মকোক থোংবা পুলিস ওফিসার অমনা ফোঙদোরক্লি।

এ দি জি পিনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা মেলা পাঙথোক্লিবা মফম অদুদা পোৎ–চৈ হুরানবা, মাংহন তাকহনবা, অমসুং মী হাৎনবা হোৎনরম্বা কয়া থেংনখি। থৌদোক কয়াদা মরাল লৈবা মীওইশিং অদুনা অশেংবা সাধুশিংদা টার্গেট তৌরমখি।

ধর্ম্মগা মরী লৈনবা থৌরম অদুদা পামদবা থৌদোক কয়া থোকহন্নবা হোৎনখিবা মীওইশিং অদু ফাগৎতুনা আইনগী ওইবা থবক লৌখৎনবা খঙহনখ্রে।

কুম্ভ মেলাগা মরী লৈননা মীওই লাক্ষ কয়ানা মফম অদুদা ধর্ম্মগী চৎনবী মতুং ইন্না লাই খুরুম্বা লাকখি। মদু চাওথোকচনিংঙাই ওইবা থৌরম অমনি। মধুকুমারনা হায়, চখরিবা সিমহাষ্টা কুম্ভ মেলাগী শরুক অমা ওইনা সাহি স্নান হায়না খঙনবা ধর্ম্মগী মীংদা শেংনা ঈরু লুজবগী থৌরম চৎলিবা থা অসিগী ২১দা পাঙথোক্কনি।

অদুগুম্বা থৌরম অদুদা মশিং য়াম্লবা মীওই কয়ানা শেংলবা ঈরু লুজবগী থৌরম অদু য়াওননবা থোমজিন্নরক্কনি। মদুনা মরম ওইরগা মীয়াম অদু লাকশিন্নবা হোৎনবদা পুলিসনা অচৌবা অৱাবা অমা মায়োক্লগনি হায়রি।

সিমহষ্টা কুম্ভ মেলা মমাঙ থাগী ২২দগী হৌখিবনি। সাহি স্নান হায়না খঙনবা ঈরু লুজবগী মে ২১দা থৌরম পাঙথোক্লবা মতুং মেলা অদু লোইশিনগদবনি হায়রি।

সিমহষ্টা কুম্ভ মহাপরভা শরুক য়াননবা লৈবাক অসিগী তোঙান–তোঙানবা মফম কয়াদগী মীওই লাখ কয়া থুংলদুনা লৈরিবনি। অরোইবা নুমিৎতা পাঙথোক্কদৌরিবা শেংলবা থৌরম অদু মী খ্বাইদগী হেন্না তিনবা অমদি মরু ওইবা থৌরম অমা ওইরি। মদুনা মরম ওইরগা পুলিসনা চেকশিন থৌরাং লৌখৎপদা অচৌবা অৱাবা অমা থেংনগনি হায়রি।

## SANA - SUDOKU

*Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 6 horizontally and vertically without repeating .any numbers*

**Hard Sana Suduku-596**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | | | | | 1 | | | |
| 6 | 1 | | 3 | 9 | | | | 5 |
| | | | | 4 | 2 | 3 | 1 | |
| | | 6 | 7 | | | | 4 | |
| 1 | | 8 | | 3 | | 2 | | |
| | 5 | | 1 | 6 | | | 9 | 3 |
| 4 | | | | | | | | |
| 3 | | | | | | 5 | 2 | 4 |
| 5 | | | 8 | 7 | 4 | | 3 | 1 |

*সনা–সুদোকু– ৫৯৫ গী সোল্যুস*

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 6 | 9 | 4 | 1 | 3 | 5 | 2 | 8 | 7 |
| 5 | 3 | 7 | 4 | 8 | 2 | 1 | 6 | 9 |
| 1 | 2 | 8 | 7 | 9 | 6 | 5 | 4 | 3 |
| 8 | 6 | 5 | 2 | 4 | 3 | 7 | 9 | 1 |
| 4 | 7 | 2 | 6 | 1 | 9 | 8 | 3 | 5 |
| 9 | 1 | 3 | 5 | 7 | 8 | 6 | 2 | 4 |
| 7 | 5 | 9 | 8 | 6 | 4 | 3 | 1 | 2 |
| 3 | 8 | 1 | 9 | 2 | 7 | 4 | 5 | 6 |
| 2 | 4 | 6 | 3 | 5 | 1 | 9 | 7 | 8 |

## GAS TODAY

**R&H INDANE**
Booking upto ...... 02/05/2016
Valid from ........... 24/04/2016
Stk......................612 (DBTL)
Timing........8.00 to 11.00 am
SUBMIT AADDHAR CARD

**ASHANGBI INDANE, SUGNU**
Booking upto ...... 05/05/2016
Valid from ........... 25/04/2016
Stk.................................306
Timing........9.00 to 11.00 am

**J RONGMEI SK INDANE**
Booking upto ...... 28/03/2016
Valid from ........... 14/03/2016
Stk.................................306
Timing........7.00 to 10.00 am

**K&K INDANE SERVICE**
Booking upto Date
Stk.................................612
Timing........7.30 to 11.00 am
FIRST COME FIRST SERVE

**MISAO GAS SERVICE**
Booking upto ...... 22/04/2016
Valid from ........... 30/03/2016
Stk.................................612
Timing........7.00 to 11.00 am
SUBMIT AADDHAR CARD

**KONGNANG GAS SERVICE, BISHNUPUR**
Booking upto ...... 18/03/2016
Valid from ........... 12/03/2016
Stk......................306 (DBTL)
Timing........7.00 to 10.30 am

**MANIPUR GAS**
Booking upto ...... 29/04/2016
Valid from ........... 25/04/2016
Stk......................612 (DBTL)
Timing........7.30 to 10.00 am

**IMPHAL LPG**
Booking upto Date
Stk............462/19kg.......100
FIRST COME FIRST SERVE
(NO BOOKING REQUIRE)

**ATHOKPAM INDANE**
Booking upto ...... 22/04/2016
Valid from ........... 10/04/2016
Stk......................918 (DBTL)
Timing........7.00 to 10.00 am
SUBMIT AADDHAR CARD

**MAIBIA GAS, MOIRANG**
Booking upto Date
Stk.................................444
Timing........7.00 to 10.00 am
SUBMIT AADDHAR CARD

**RBD INDANE**
Booking upto ...... 30/04/2016
Valid from ........... 13/04/2016
Stk.................................612
Timing........8.00 to 11.30 am
SUBMIT AADDHAR CARD

**LAMBODARA INDANE SERVICE, MANTRIPUKHRI**
Booking upto ...... 29/04/2016
Valid from ........... 27/04/2016
Stk.................................306
Timing........7.30 to 10.00 am

**SAWOMBUNG INDANE SERVICE**
Booking upto ...... 17/05/2016
Stk.................................306

**MM GAS SERVICE**
Booking upto ...... 15/04/2016
Valid from ........... 11/04/2016
Stk......................612 (DBTL)
Timing........7.00 to 10.00 am
SUBMIT AADDHAR CARD

STUDY MBBS IN ABROAD
BANGLADESH, KAZAKH, CHINA, PHILIPPINES
Plz Contact :
Atawar Rahman A.S. Education Trust, Khergao Thambalkhong, Near Cambridge School, Old Campus Imphal.
Note : Available Lone Facility, Term & Condition require
No Service Charges, Scholarship Available
SINCE 2003
Contact No. : 9856363129, 9615706900, 8257053310, 0385-2445341

St. GEORGE COLLEGE
Affliated to Bangalore University, RGUHS & Approved by AICTE, INC (Recognized by the Government of Karnataka)
ADMISSIONS OPEN 2016
www.stgeorgecollege.org
COURSES
M.Sc. (Biotech) | B.Sc. (Genetics) | BCA
M.Sc. (Microbiology) | B.Sc. (Comp. Sc) | BBM
M.Sc. (Biochemistry) | B.Com (Com) | MSW
B.Sc. (Biotech) | B.A (Journalism) | MBA
B.Sc. (Microbiology) | B.Sc (Nursing) | GNM
B.Sc. (Biochemistry) | P.C.B.Sc (Nursing)
For Admission Assistance
Homendro Singh
Career Info Solutions, New Checkon Road, Near ICIC bank, Imphal East, Manipur. Ph:8415033773/8413976991

DIRECT AND SPOT ADMISSION
BE B.Tech
4 Yrs. DEGREE Course in :
• Computer Science • Information Technology • Civil • Electronics & Comm. • Electrical & Electronics • Mechanical • Architecture
M. TECH
• Computer Science • Machine Design • Computer Sc. & Network • Electronics • Civil Structural • Civil-Geo Technical
MBBS/BDS/MDS/BAMS
B.Sc in Forestry, Agriculture, Horticulture, Fishries
B.Sc in Medical Lab Technology
B.Sc in Medical Microbiology, Maths, Physics
B.Sc in Optemetry, OT, Computer Sciences
Radiography, FND/M.Sc Food
Nutration & Dietetics, Fashion Desining
M.Sc./B.Sc. : ✓ Bio Technology ✓ Micro Biology ✓ Bio Chemistry ✓ Applied Genetics ✓ Nursing ✓ Physiotherapy
DIPLOMA : MLT, Radiography Tech, Physotherapy Tech, Dialysis
MBA | Pharm.D
MCA | D.Pharm
BBA | B.Pharm
BCA | M.Pharm
PGDM | B.Ed
| D.Ed
BHM | B.Com | M.COM | BSW | B.A. Animation, Multimadeia | Tourism | M.A. Cinema & Telivision
HURRY ! AT TOP RANKING COLLEGES IN INDIA AND ABROAD. THE ADMISSION CONFIRMATION LETTER WILL BE RECEIVED WITHIN 10 MINUTE - 100 % JOB PLACEMENT AND FREE LAPTOP.
Contact : NEW WAY CONSULTANCY & PLACEMENT (R), Babupara, BOSEM Leirak, Imphal
# : 8119996590 / 8575326215 / 8794525328 / 8119944133